ইন্দিয়াগী ওইনা নুপী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা ওইনাম বেমবেম্না অনীশুবী অর্জুনা এৱার্দিনি

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

মণিপুর মচাশিংগী মনুংদগী কুমজা ১৯৯০ দগী হৌরগা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী লেমজবা শান্নরোয়শিংদা পীবা অখন্নবা মনা ‘অর্জুনা এৱার্দ’ মথং মথং লেপ্তুনা ফংবা ঙল্লক্লি। হন্দক চহীগী ওইনসু ফুটবোল মশান্নদা ইন্দিয়াগী ওইনা থোইদোক্লা মমিং থম্বা ঙল্লবী ওইনাম বেমবেম অমদি বোক্সিংদা লাইশ্রম দেবেন্দ্রোনা লৌরক্লি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা এৱার্দ অসি ফংবা ঙমখ্রবা শান্নরোয়শিংদি এন কুঞ্জরানি (ৱেথলিফটিং), ঙাঙোম দিঙ্কু (বোক্সিং), থিংবাইজম সনামচা (ৱেথলিফটিং), তিঙ্গোংলৈমা (হোকি), ৱাইখোম সুরজলতা (হোকি), এম সী মেরি কোম (বোক্সিং), অঙোম অনিতা চনু (জুদো), খুমুজম তোম্বী (জুদো), লাইশ্রম সরিতা (বোক্সিং), ৱাংখেম সন্ধ্যারানি (ৱুশু), ময়াংলম্বম সুরঞ্জয় (বোক্সিং), ময়াংলম্বম বিমোলজিৎ (ৱুশু), য়ুম্নাম সনাথোই (ৱুশু) অমদি চহীসিদা ফংলকখিবা ওইনাম বেমবেম (ফুটবোল) অমদি লাইশ্রম দেবেন্দ্রোনি। পূন্না ঙসিদি মণিপুরদগী শান্নরোয় ১৭ না মনা অসি লৌবা ঙমদুনা ষ্টেট অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে। মণিপুর মচাশিংনা অর্জুনা এৱার্দ লৌবা ঙল্লিবা মশান্নশিংদি মথংশিংনা ৱেথলিফটিং (৩), বোক্সিং (৫), জুদো (২), ৱুশু (৩), অর্চরি (১), হোকি (২) অমসুং ফুটবোল (১) নি। ফুটবোল মশান্নগী ওইনা হন্দক অর্জুনা এৱার্দ পুদুনা লাক্লিবী ওইনাম বেমবেমগী ওইনদি মনা অসি নহান্না ফংলম্বা য়ারে হায়বা য়াই।

নীংশিংবা য়াবদি, ওইনাম বেমবেম কুমজা ১৯৮০ গী মার্চ থাদা পিশুম ওইনাম লৈকায়দা লৈবা ওইনাম নাগেশ্বর অমদি ওইনাম ওংবী রুহিনিগী মচা নিপানগী মনুংদা (নুপা অহুম, নুপী মঙা) তরুকশুবী মচা ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। ফুটবোল ঙাওজবা লৈকায় অমদা পোক্লুবনা মশাগী চহী ১০ শুরকপা মতমদগী লৈকায়গী মবুং মৌপ্পাশিংগী মরক্তা য়াওদুনা বেমবেমসু শান্নবা হৌরকখি। মহাক্না শান্নবা পামজবা অদু অপোকপা মপানদি কয়া কন্না য়ানিংখিদে। শান্নবদা থৱায় য়াওববুদি লাইরিক্তা পূক্নিং লুপ্পনা হেন্না পামখি। অদুবু হায়রিবা পল অদু নমখায়দুনা ফুটবোলদা খোয়দানা শান্নবা হৌরকখি। কুমজা ১৯৯০/৯১ গী মতমদগী শিংজমৈগী য়াৱা ক্লবকী নুপী ফুটবোল টিমদা য়াওদুনা শান্নরকখি।

হায়রিবা ক্লবতুদা চহী অহুমরোম শান্নরল্লগা কুমজা ১৯৯৩ দগীদি সন ক্লব (মোংশাঙ্গৈ) দা হোংলকখি।

হায়রিবা ক্লবতুদা ফুটবোলদা হান্না মমিং লৈরবী রোমোনি (রোমোনিসি বেমবেমগী মাম্মা অহলগী মচানি) গা লোয়নননা সন ক্লবকী মমিং লৈরবী সেনিয়র প্লেয়রশিংগা শান্নবা হৌরকখি।

সন ক্লবতা লাকপদগীদি ফুটবোলগী শক্লাইরবা কোচ এস একেন্দ্রগী মখাদা নিংথিনা প্রেক্টিশ তৌবগা লোয়নননা ফুটবোলগী অচুম্বা মায়ওন মদা লাকপা হৌরকখি। কুমজা ১৯৯৫ দগীদি নেসনল থাক য়ৌবা ঙমদুনা মায় পাক্লা শান্নবা ঙল্লকখি। মীদ ফিল্ডরগী ফুটবোল্লর অমা ওইনা, ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মথং মথং লেপ্তুনা শান্নরকখি। ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৯৫ দা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হলদিয়াদা পাঙথোকখিবা ‘থার্দ নেসনল ৱুমেন চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারকখি। চহীদুদা মণিপুর টিম্না ৱিন্নর লৌরকখি। কুমজা ১৯৯৫ দগী কুমজা ২০১৭ ফাওবদা তৌখিবা নেসনল ২০ লক্তা মণিপুর টিম্না ৱিন্নর ১৯ রক অদুগা কুমজা ১৯৯৬/৯৭ তা অমুরক রন্নর্স ওইখি।

কুমজা ১৯৯৮ দগীদি বেমবেম মণিপুর পুলিসতা হোম গার্দ ওইনা থবক জোইন তৌরকখি। লোয়নননা কুমজা ২০০০ দা পুলিস কন্সটেবল ওইনা পার্মিনেন্ট তারকখি। অমরোমদা কুমজা ১৯৯৫ দগী হৌরগা কুমজা ২০১৭ ফাওবদা বেমবেমনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ ১২ দা মণিপুর টিমগী কেপ্তেন ওইনা শরুক য়ারকখি। অদুগা ইন্টরনেসনল থাক্কী চেম্পিয়নশিপ অমদি টুর্নামেন্টনা ইনি দয়া টিমগী টিম কেপ্তেন তরেৎলক ওইরকখি। বেমবেম্না শান্নরকখিবা ফুটবোল মেচ ৮৫ গী মনুংদা মীদ ফিল্ডর ওইনা পূন্না গোল ৩২ চনবা ঙমখি। মসিগা লোয়নননা এসিয়ন গেমস অনীরক, কুমজা ১৯৯৮ দা তৌখিবা ১৩শুবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমস অমদি কুমজা ২০১৪ গী বুশান এসিয়ন গেমসতসু (কেপ্তেন) শরুক য়ারকখি। ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মতম শাংনা চহী ২১ চুপ্পা শান্নবা ঙম্বী প্লেয়রসু বেমবেমনা ওইরি।

-মথং-মথং

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৫

১. নেসনল গেমসকী টাই ক্বান্দো মশান্নদা ইহান হান্না সনাগী মেদল ফংখিবা মণিপুরী মচা অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২. করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা দাক্তর দিধান চন্দ্র রোয় ত্রোফিদা মণিপুরনা মায়োক্নবা টিম্বু টাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবগে?

৩. এসিয়ান গেমসতা ইহান হানবা ওইনা ইন্দিভিজুয়েলগী থৌরমদা মণিপুরগী নুপী অনী শরুক য়াখি। অমনা ইরোইবদা কিরন মালা দেবীনি অদুগা অতোপ্পা নুপী অদু কনানো? করম্বা থৌরমদনো? পাউখুম অনী পীয়ু।

৪. করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী হোকিগী কেপ্তেন শান্নরোয় অনীদা পূন্না ওইহনখিবগে?

৫. পীরিবা অফাওবা শান্নরোয় অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্তেম্বর ১৫ ইৱাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফৰা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

নেসনল মাউন্টেন বাইক চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা রাইদরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ : পুনেদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২২ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪শুবা সেনিয়র, জুনিয়র অমসুং সব জুনিয়র নেসনল মাউন্টেন বাইক চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী রাইদরশিং খনখ্রে।

ওপন ত্রাইএল সেলেক্সনগী রিজল্ট অমসুং একজিক্যুটিভ কম্মিটিগী রিকমেন্দেসনগী মতুং ইন্না নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক মণিপুরগী ওইনা খনখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি সেনিয়র মেনদা আই বি এস এগী এন ভিমচন্দ্র অমসুং য়ু এস এগী এন জয়েন্তনি। মেন জুনিয়রগীনা ৱাই পি ঐচ য়ুগী লানঙম্বা লোকতোংবমনি। সব জুনিয়র বোইজগীনা য়ু এস এগী এন বিকি, মিথিওস থিংবাইজম, এস এস য়ুগী ৱাই শান্তা, এস বেনজোনসন অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ুগী ঐচ থোমাস শর্ম্মানি। য়ুথ বোইজগীনা ৱাই পি ঐচ য়ুগী কে ভিক্তর, এ বারুস, য়ু এস এগী টি ঐচ দিপচন্দ্র, এস সী এগী টি ঐচ সুরজ, এন আই এস এগী এ কে দেবিদ অমসুং ঈ এস য়ুগী টি ঐচ সঙাইসেননি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী মেনেজরনা কে ঐচ হরিনন্দা, কোচনা আর কে সৈত্যজিৎ অমসুং মেকানিক্না ৱাই রোবার্টনা ওইগনি। মণিপুর টিমগীদমক খল্লবা রাইদরশিং অসি চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক সেপ্তেম্বর ১৬ তা ইম্ফাল থাদোক্কনি। নন রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্পকীদমক খল্লবা রাইদরশিং লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২ গী অয়ুক পুং ৬.৩০ দগী নুংথিল ২ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা কোচ অমসুং মেনেজরদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু মণিপুর সাইক্লিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ঐচ বিক্রমজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সেমী ফাইনেলদা গৌরম মায়থীহৌরে, ব্রোঞ্জ মেদল ফংলগনি

হেমবর্গ, সেপ্টেম্বর ০১ : জর্মনিগী হেমবর্গতা হৌখিবা চথরিবা ১৯শুবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব বিধুরি বেন্টাম ৱেথ কেটাগোরি (কেজি ৫৬) গী সেমী ফাইনেল মেচতা মায়থীহৌরে। অদুমকপু গৌরব ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলগনি।

ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অসিগী কেজি ৫৬ কেটিগোরিগী সেমী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব বিধুরিগা য়ু এসকী দ্যুক রেগানগা সেমী ফাইনেলদা থিন্দৎনখিবনি। মেচ অদুদা দ্যুক রেগান্না গৌরবপু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখিবনি।

সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌরবা দেল্লিদগী মশাগী চহী ২৪ খক্তা ঙাইরিবা নহা ওইরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব বিধুরিনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলগনি। মহাক্না ফংলিবা মেদল অসিনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা মেদল ওইখ্রে। হৌখিবা থা ৬ রোমগী মমাঙদগী বেক ইঞ্জুরি লৈবগী অৱাবা খাঙদুনা লাকখিবা গৌরব বিধুরিনা চেম্পিয়নশিপ অসি মায় পাক্নবগীদমক ষ্ট্রগল তৌদুনা লাকখিবনি হায়রি।

য়ু এস ওপন : দবলসতা ইন্দিয়াগী বোপান্না, সনিয়া সেকেন্দ রাউন্দ চঙখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলসতা ফেন্দরর অমসুং নদাল ৩শুবা রাউন্দ চঙখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০১ : য়ু এস ওপনগী দবলসতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপান্না অমসুং সানিয়া মিরজা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলসতনা ফেদরর অমসুং নদাল অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

মেন’স দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেচতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপান্না অমসুং উরুগ্বেগী পেব্লো ক্যুবাসকী জুরাগা অমেরিকাগী ব্রেদলি ক্লান অমসুং স্কোটলিপস্কিগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদুদা রোহন বোপান্না অমসুং পেব্লো ক্যুবাসকী জুরানা অমেরিকাগী ব্রেদলি ক্লান অমসুং স্কোটলিপস্কিগী জুরাবু ওপনিং রাউন্দগী মেচ অদুদা ১-৬, ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখিবনি। অনীশুবা রাউন্দদা রোহন বোপান্না অমসুং ক্যুবাসনা ইটালিগী সিমোন বোলেলি অমসুং ফেবিও ফোগনিনিগী জুরাগা লন্থা তৌনগনি।

ৱিমেন’স দবসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজা অমসুং মহাক্কী চাইনিজ পার্টনর স্বাই পেংনা ক্রোসিয়াগী পেত্রা মাত্রিক অমসুং দোনা বেক্কী জুরাগা শান্নখি। সানিয়া মিরজা অমসুং স্বাই পেংগী জুরানা পেত্রা মাত্রিক অমসুং দোনা বেক্কী জুরাবু ওপনিং রাউন্দগী মেচ অদুদা মায়থীবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখিবনি। সানিয়া মিরজা অমসুং স্বাই পেংনা অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী জানা কেপেলোভা অমসুং মগদালিনা রাইবারিকোভাগা শান্নগনি হায়রি।

মেন’স সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী রফেল নদালগা রসিয়াগী ভেটেরান মিখেল য়ুজনিগা শান্নখি। মেচ অদুদা রোজর ফেদররনা মিখেল য়ুজনিবু ৬-১, ৬-৭ (৩), ৪-৬, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখিবনি। রোজর ফেদররগা য়ুজমিগা ঙসি ফাওবদা শান্নখিবা মেচ ১৭মক ফেদররনা মায় পাক্লি।

য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা অহুমশুবা সীদতা লৈরিবা রোজর ফেদররনা অহানবা রাউন্দদা য়ু এসকী নহা ওইরিবা প্লেয়র ফ্রান্সিস টাইফোবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

অতোপ্পা মেন’স সিঙ্গলসকী মেচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান রফেল নদাল অমসুং ১২৫ শুবা রেঙ্কতা লৈবা জপানগী টারো দেনিএল শান্নখি। অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা রফেল নদালনা জপানগী টারো দেনিএলবু ৪-৬, ৬-৩, ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙলকখিবনি।

অনীশুবা রাউন্দগী অতোপ্পা মেচশিংদা অর্জেন্টিনাগী জুআন মার্টিন দেল পোত্রোনা স্পেনগী এদ্রিয়ান মিনেন্দেজবু ৬-২, ৬-৩, ৭-৬(৩) দা অমসুং ৬শুবা সীদ ওইরিবা ওস্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা য়ু এসকী টেলর ফিটসপু ৬-৪, ৬-৪, ৪-৬, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা কনাদিয়ন সুপর ষ্টার দেনিস সপোভালোবনা ৮শুবা সীদতা লৈরিবা ফ্রেন্সকী জো ৱিলফ্রাইদ সোঙ্গাবু ৬-৪, ৬-৪, ৭-৬ (৭/৩) দা মায়থীবা পীদুনা ৩শুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

এল ঈ সী বাবুপড়ানা দিবোং জি পি টিম বিবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিল্লগা তোঙান তোঙানবা টিম ৬না শরুক য়াদুনা জিরিবামগী কালিমাই মান্দবতা চথরিবা অনীশুবা টি ঐচ হেরা সিংহ মেন’স ভেটেরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এল ঈ সী বাবুপড়ানা দিবোং জি পি টিম বিবু পাঞ্জল ১০-৬ তা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি এল ঈ সী বাবুপড়া অমসুং দিবোং জি পি টিম বি শান্নখি। এল ঈ সী বাবুপড়ানা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা দিবোং জি পি টিম বিনা মায়কৈ খনখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাং কাপ্পখি। মেচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা এল ঈ সী বাবুপড়ানা দিবোং জি পি টিম বিবু পাঞ্জল ১০-৬ তা মায়থীবা পীরমখিবনি।

মেচ অদুদা টি ঐচ বসন্তনা জজ অমসুং ও মঙ্গি মীতৈনা স্কোরর ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা কছার কাং এসোসিএসন অমসুং এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবী শান্নগনি হায়রি।

জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ : ময়াং ইম্ফাল বোল্লিবোল এসোসিএসন (এম আই ভি এ) না শিল্লগা অহানবা কোঙ্খাম জেমোন অমসুং লৈবাকলৈ মেমোরিএল জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ পাঙথোক্লগনি হায়না এম আই ভি এগী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি ঐচ রোবিচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অহানবা কোঙ্খাম জেমোন অমসুং লৈবাকলৈ মেমোরিএল জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল ২০১৭ অসি লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ১২ দগী ১৫ ফাওবা ময়াং ইম্ফালগী এম আই কে ঐচ ৱাই এগী গ্রাউন্দদা চথগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা সেপ্তেম্বর ১০ ফাওবা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৱিন্নর ওইরবা টিমদা লুপা লিশীং ১৫, রন্নর্স-অপ তারবা টিমদা লুপা লিশীং ১০, বেষ্ট সেট্টরদা লুপা লিশীং ১, বেষ্ট প্লেয়রদা লুপা লিশীং ১ অমসুং বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমদা লুপা লিশীং ২ গী মনা পীগনি হায়না এম আই ভি এগী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

জোমি ক্লব অমসুং সিখ বোষ্টি ৱাই সী গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা চথরিবা ১৩শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ (চহী ১৫ অমসুং মখাগী) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ফোর এন হিরাচরন সিংহ ত্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা জোমি ক্লব অমসুং সিখ বোষ্টি ৱাই সী গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৪৫ তাবদগী জোমি ক্লব অমসুং সিখ বোষ্টি ৱাই সী শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪১শুবা মিনিটতা জোমি ক্লবকী জর্সি নম্বর ১৮ শান্তেনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। অদুবু মেচকী ৬৭শুবা মিনিটতা সিখ বোষ্টি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৪ কে অমুবেন্না গোল অদু হন্দোক্লুনা মেচ অদু ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু গোল ১-১ দা দ্রো চৎখি।

কে ৱাই সী নোর্থ, খুরখুল অমসুং এস দি সী শমুরৌ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা লোইতাং খুনৌ স্পিনিং মিল গ্রাউন্দদা তোঙান তোঙানবা টিম ১০ না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা অহানবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে ৱাই সী নোর্থ, খুরখুল অমসুং এস দি সী শমুরৌ দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবদগী কে ৱাই সী নোর্থ, খুরখুল অমসুং এস দি সী শমুরৌ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবনা বোল অদু অয়াম্বা মতমদা গ্রাউন্দগী ময়ায়দা পাস তৌনদুনা লৈখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু কে ৱাই সী নোর্থ, খুরখুল অমসুং এস দি সী শমুরৌগী শান্নরোয়শিং অকনবা লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লাকখিবা অদু অনীশুবা হাফতদি গোল চন্নবা টিম অনীমক্না কন্না হোৎনরকখি। অদুমকপু টিম অনীমক্না মেচ অদু মায়থীবা য়াদে হায়বগী ফীভমদা অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা য়াদবা মওংদা শান্নখি। মেচকী লোইরমদাই মীকুপ্তা টিম অনীমক্না অকনবা এটেক চথনখি। অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু গোল ০-০ দা দ্রো চৎখি।

মেচ অদুদা কে ৱাই সী নোর্থ, খুরখুলগী এন হংসিং, এস দি সী শমুরৌগী টি ঐচ রাজেস মীতৈ, এন মাইকেল অমসুং টি ঐচ সুসিল কুমার মেচ রেফ্রিনা অন স্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক কোসন পীখি।

রিভরলেন্দ য়ুথ ক্লবনা শিরটি ফুটবোল ক্লবপু অমসুং লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবনা লিৱা চংনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লবপু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১: দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) চান্দেলনা শিন্দুনা মহা য়ুনিয়ন হায়র সেকেন্দরি প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭-১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা রিভরলেন্দ য়ুথ ক্লব (আর ৱাই সী) না শিরটি ফুটবোল ক্লব (এস এফ সী) বু অমসুং লিৱা সরাই য়ুথ ক্লব (এল এস ৱাই সী) না লিৱা চংনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লবপু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়ারগা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেচতা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবনা লিৱা চংনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লবপু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ২২শুবা মিনিটতা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবকী জর্সি নম্বর ৮ টি ঐচ উনিসমাসনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু লিৱা চংনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লবনা হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু লিৱা চংনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লবকী মায়কৈদগী গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎনখি। মেচকী ৮০ প্লস থ্রি চৎপা মিনিটতা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবকী জর্সি নম্বর ২১ টি ঐচ চিহান সিংহনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি। হেক থংনবা মিনিট মেচকী ৮০ প্লস ফোর চৎপা মিনিটতা লিৱা চংনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লবকী জর্সি নম্বর ৫ দেবিদ ঙোরুনা গোল অমা হন্দোক্লুনা মেচ অদু ১-২ দা লৈহনখি। অতোপ্পা গোল অমা অদুদি মেচ লোইবা ফাওবদা লিৱা চংনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লবনা হন্দাকপা ঙমখিদে। মেচ অদু লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবনা গোল ২-১ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল শিরটি ফুটবোল ক্লব অমসুং রিভরলেন্দ য়ুথ ক্লব শান্নখি। মেচ অদুদা রিভরলেন্দ য়ুথ ক্লবনা শিরটি ফুটবোল ক্লবপু গোল ৭-১ দা মায়থীবা পীখি। রিভরলেন্দ য়ুথ ক্লবকী মায় পাকপগী গোল ৭ অদু জর্সি নম্বর ১১ ওলিভরনা মেচকী ১৩শুবা, ৩৪শুবা অমসুং ৫২শুবা মিনিটতা গোল অহুম চনখি। জর্সি নম্বর ৩ ফেমসনা মেচকী ১৭শুবা অমসুং ৮০শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১৪ গ্লেদসন্না গোল ২/২ চনখি। অদুগা শিরটি ফুটবোল ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১২ এন্তোনিনা মেচকী ৭৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৪ গী নুংথিল পুং ১.৪০ তাবদা কাপম দিভলপমেন্ট ক্লব (কে দি সী) অমসুং হনাহরিনখু য়ুথ ক্লব (ঐচ ৱাই সী) শান্নগনি। অদুগা নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদনা লম্সুং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (এল ৱাই সী সী) অমসুং য়ুনাইটেদ লমকাং ফুটবোল ক্লব (য়ু এল এফ সী) শান্নগনি হায়রি।

ডা. শান্তিকুমার ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ : এজিয়ন কাউন্সিল ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্ট সনা শিল্লগা থাইলেন্দগী কাসেটসার্ট য়ুনিভর্সিটি, কামফেং সিন কেম্পস নাখোন পাথোনগী সেন পাল্ম কনভেন্সন হোলদা ফিজিকেল এদ্যুকেসন হেলথ অমসুং স্পোর্টসকী মতাংদা পাঙথোক্কদবা অহুমশুবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্সতা শরুক য়ারুনবগীদমক ডা. শান্তিকুমার খোই ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মহাকপু ইনভাইট তৌরকখিবনি। ডা. শান্তিকুমার য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড ফ্রেন্দসিপ ওর্গেনাইজেসনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা ওল ইন্দিয়া কাউন্সিল ওফ স্পোর্টস সাইন্স এন্দ ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী মেম্বরসু ওইরিবনি হায়না ষ্টেট মার্সেল আর্টস কম্মিটি মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্টর এস আর্নোল্ডনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

See better through us...
Yumnam Eye Care
RIMS Road, Imphal West Manipur
Computerised Eye Testing
&
Contact Lens Clinic
NEW SUMMER COLLECTION
Authorized Dealer
LUXOTTICA
ESSILOR
VOGUE
K&L
Fastrack
Ray-Ban
Consultant Timing :
Morning- 8:00 am - 12.00 noon
Evening- 2:30 pm - 5.00 pm
Sunday - 8:00 am - 12.00 noon
HL-B/4069/15/8-14/09